
# খা অফ্রিকাদা ৱাকৎলোই হাৎপগীদমক পুলিস ওফিসার ৪ ফাখ্রে

*জোহানেসবর্গ, জনুৱারি ২৪ঃ* জোহানেসবর্গকী মতাইদা হাউজিংগা মরী লৈনবা ঈহৌ অমদা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনবশিংগী মথক্তা নোংমৈ কাপশিন্দুনা ৱাকৎলোই অমা হাৎলি হায়বগীদমক পুলিস ওফিসার ৪ ফাখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লম্বীদা থিংজিনবা নুঙ-উ নচিংবা পোৎ-চৈশিং শেংদোকপা পুলিস কাংবু অমদা মীয়াম ওমদুনা হোৎচিল্লকপদগী পুলিস অদুনা নোংমৈনা কাপখিবনি হায়রি।

ওফিসার অমগী মথক্তা মীহাৎপগী মরাল শীখিবগা লোয়ননা অতৈশিংগী মথক্তনা অচুম্বা ৱায়েলগী পান্দমবু মাঙহল্লি হায়বগী মরাল শীখি। গৌতেং পুলিসকী ৱাঙাংলোই বৃগেদিয়ার নেভিল মালিলানা হায়বদা, মশাগী চহি ৩৩ দগী ৪৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা পুলিস ওফিসারশিং অদুগী মথক্তা থুনমক কোর্টতা ৱায়েল হৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



থৌদোক অদুগী মতাংদা অহানবগী ওইনা অচুম্বা রিপোর্ট অমা ফংলবা মতুংদা মীবু শিহন্নবা মওংদা নোংমৈ কাপখিবনি হায়বগী চপ চাবা খুদম ফংলে হায়নসু মালিলানা চেরোল অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মনিং তম্বা পুলিস ইনভেষ্টিগেটিভ দিরেক্টোরেটকী ওফিসার অমনা হায়বদা পুলিস ওফিসারশিং অসিগী মথক্তা শীরিবা মরাল অসি অহকপা ওইবা মরমনা মনুংগী ওইবা ইনভেষ্টিগেসন অমসু চখরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

কেস অসিগী য়েংদুনা ওফিসারশিং অসি হান্ননা সস্পেন্সন্দা থমখ্রবনি। পনবা য়াবদি খা-অফ্রিকাগী পুলিসশিং অসি মীয়াম লাকশিনবগী টেক্নিকশিং মওং চানা শীজিন্নদে হায়বগা লোয়ননা অশেংবা নোংমৈ মরু শীজিন্নে হায়বগী ৱাকৎ খরসু লৈরিবনি।

চয়োল অসিগী হৌরকপদা অতোপ্পা ৱাকৎ খোঙজং অমদা মীওই ৪ হাৎখিবা মতুংদা পুলিস মিনিষ্টর নাথি মথেথ্বানা হায়বদা খা অফ্রিকাদা পুলিসপু মীয়াম ঙাক শেন্নবা অদুগা সার্ভ তৌনবা ওইনা ত্রেনিং পী। মখোয় মীয়াম হাৎনবা ত্রেনিং পীদে হায়না ফোঙদোকখি।

ইং ২০১২ দসু পুলিসনা মানিকানাদা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনবা খোনিগী শিন্মীশিংগী মথক্তা নোংমৈ কাপ্পদা পুন্না ৱাকৎলোই ৩৪ শিখিবনি। থৌদোক অদু আফ্রিকাদা ইং ১৯৯৪ দা কুচু খাইবগী চৎনবী লোইশিন্নবা চংশিনখিবা খোঙজংশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্স চেন্নবা ৱাথোক অদুগী মতুংদা খ্বাইদগী হেন্না মীশি মীনা য়াওবা থৌদোকসু ওইখিবনি। হাকুম চহিদসু পুলিসনা গ্যাডীদা মী অমা য়ানশিল্লগা থৌবদগী কোন্না মী অদু শিখিবগী ৱাথোক অমসু লৈখিবনি।

# আফগানিষ্টানদা নোংমৈ পায়বশিংনা ক্রিকেটর ৫ হাৎখ্রে

*কাবুল, জনুৱারি ২৪ঃ* আফগানিষ্টানগী নোংপোক থংবা লাগমান প্রোভিন্সতা ক্রিকেট গেম অমা শান্নরিঙৈ মনুংদা মোটোর সাইকলদা লাকপা নোংমৈ পায়বশিংনা নোংমৈনা কাপশিন্দুনা লোকেল ক্রিকেট শান্নরোই ৫ হাৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

প্রোভিন্সিয়েল ৱাঙাংলোই সারহাদি ঝৌৱেকনা হায়বদা থৌদোক অদু ঙরাং অলিঙ্ঘর দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবনি হায়বগা লোয়ননা নোংমৈ পায়বশিং অদু শান্নরোই ৫ হাৎলম্লগা চেনখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা কনামত্তনা থৌদোক অদুগী ক্লেম তৌরক্ত্রি। অদুবু ঝৌৱেকনদি থৌদোক অদু টালিবানগী খুৎ ওইগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

আফগানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট হমিদ কারজাইনসু চেরোল অমা থোক্তুনা থৌদোক অদুবু অকনবা ৱাহৈদা কন্দেম তৌখ্রে।

খা থংবা হেলমন প্রোভিন্সতসু ৱাঙাংলোই ওমর জ্বাগনা হায়বদা পুলিসনা পাউমী অমগী অশিবা হকচাং অমা ঙরাং অহিং অথেংবদা ফংখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

মশাগী চহি ৩০ রোমগী লেং ওইগদবা নুর অহমদ নুরি হায়বা পাউমী অসি লোকেল রেদিও অমগী থবক তৌবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ৱায়েলশঙ মনুংদা মী ২ হাৎখ্রে



*ফ্রেঙ্কফর্ট, জনুৱারি ২৪ঃ* মফম অসিদা লৈবা ৱায়েলশঙ অমদা এটেক অমা চখরকপদগী ৱায়েলশঙ মনুংদা লৈরম্বা মীওই অনি শিরে হায়না জর্মন পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

দি পি এ হায়বা পাউগী এজেন্সি অমনা পুলিসকী ৱারোল পল্লদুনা হায়খিবদা এটেক্কর অদুনা নোংমৈ অমা পায়রকপদা নত্তনা ছুরি অমসু য়াওনা এটেক চখরকখিবনি হায়রি।

এটেক অদুগী মতুংদা ইকুই কুইদনা মহাকপু পুলিসনা ফারে হায়নসু পাউ-চে অদুদা ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌদোক অসিগী মখা তাবা অকুপ্পা ৱারোলশিংদি হৌজিক ফাওবদি ফংদ্রি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

শিরিবা মীওই অনি অদু অমনা চহি ৪৫ রোমগী লেংনি অদুগা অমনা ৫০ রোমগী ওইগনি। অমনা মফম অদুদা খুদক্তা শিখি। অমনা কোন্না হোস্পিটালদা শিখি হায়নসু পুলিসনা ফোঙদোকই।

মখোয় অনিমক ইং ২০০৭ তা ফ্রেঙ্কফর্টকী মফম অমদা মীওই অহুম্থু এটেক তৌদুনা হাৎখিবগী কেসতা চেন্নদুনা ৱায়েল চখরিবা ঙাক্তনি। পুলিসকী ৱাঙাংলোই রিদিগর রিগেষ্টনা হায়বদা এটেক্কর অদুনা কোর্টকী মপান্দা নোংমৈ মরু খরা কাপখি। মদুদা মীওই অমা শিখি। অদুগী মতুংদগী অতোপ্পা মীওই অমনা ৱায়েলশঙ মনুংদা চেনশিল্লকপদা মহাক্না তান্নরক্লগা থাঙনা থিন্দুনা হাৎখিবনি হায়রি।

মীওই অনি অসি এটেক তৌরম্লবা মতুংদা মীহাৎপা অদু মখোঙনা চেনখি। অদুবু ইকুই কুইদনা ফাখি হায়বগা লোয়ননা মহাক্না মীওই অনি অসি হাৎলম্বগী মোটিভ চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়নসু লিখুন অমনা মখা তারক্লি।

# অৱাং কোরিয়ানা খা কোরিয়াগা শন্তাইননিংবা ফোঙদোকখ্রে



*সিওল, জনুৱারি ২৪ঃ* অৱাং কোরিয়ানা খা কোরিয়াদা ফোংনা য়োৎহনখিবা অইবা চে অমদা লৈবাক অনিগী মরক্তা লান্মীগী ওইনা তাথিনবগী থৌওংশিং লোইশিন্দুনা শন্তাইনবা পুরক্লবা হোৎনরসি হায়না খঙহনখ্রে।

অৱাং কোরিয়াগী ষ্টেট মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবা চিঠি অদু খা কোরিয়ানা য়ু এসকা পুন্না লান ঔরাইবগী খোঙথাং অমা চখনবা শেম-শারিবা অসিগী চয়োল খরা মাঙজৌননা ফোঙদোরকপনি।

অদুবু খা কোরিয়ানদি অৱাং কোরিয়াগী ৱারোল অসিদা নুংদা থুপ্পা ৱাখল্লোন খরা লৈগনি হায়বগা লোয়ননা অইবা চে অদু দিসমিস তৌখ্রে। লিখুনশিংনা হায়বদা কোরিয়ান পেনিনসুলাদা চহিগী ওইনা পাঙথোকপা ড্রিলশিংগী মমাংদা উংখৎনবগী ফিভম হেনগৎপনি। অদুগা ড্রিলশিং অসি কাইহৌবা ওইনা থোকই হায়নসু পিওং য়াং না মরাল শীবনি।

হাকুম চহিদসু ‘ফোল ইগল’ হায়না খঙনবা মিলিটরি এক্সরসাইজ অমনা মরম ওইদুনা মহৌশা নত্তবা মওংদা লৈবাক অনিগী মরক্তা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরকখিবনি। অৱাং কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার ষ্ট্রাইক চখরকপা য়াই হায়বা য়ৌনা ফোঙদোকখিবদা য়ু এসকী ন্যুক্লিয়ার পুবা ষ্টিল্থ বোম্বরশিং পেনিনসুলা অসিদা শাজেল ওইনা পাইশিল্লকখিবনি।

মথং থাদা পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাংলিবা মিলিটরি ড্রিলশিং অসিনা অয়াম্বা মতমদা অৱাং কোরিয়াদা খোইশাওনবা পোকহল্লে। অৱাং কোরিয়ানা শন্তাইনবগী ৱাফম লাম্থোরক্লিবা অসিদা মসিবু তরাই-তরাইনা রিজেক্ট তৌদনবা কিহনবগী ইঙ্গিৎ খরদি চেল্লি হায়না বি বি সিগী লুসি ৱিল্লিয়মসননা সিওলদা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক হংনরিবা ৱাহংদি করিগুম্বা ড্রিল অসি অদুমক চখরকপা তারগদি অৱাং কোরিয়ানা করি তৌরকপা য়াবগে হায়বসিনি। খা-ৱাংগী মরিদা অচৌবা অৱাৎপা অমা লৈরিবসি মেনশিনবা তারগদি খ্বাইদগী মরুওইনা তাথিবা য়াওবা মিলিটরিগী খোঙথাংশিং চপ লেপ্পবা ইচং থৌনা ৱারেপ লৌবা অদুনি। থৌওংশিং অসিনা থাজনদবা অমসুং মুক্লবগী ফিভম লোইশিনবদা খ্বাইদগী চাওবা পন ওইরি হায়না অৱাং কোরিয়াগী নেস্নেল দিফেন্স কম্মিসননা ইবা চেরোল অদুদা ফোঙদোকখি।

# সিরিয়ানা ৱারী শানবা য়াওরোই হায়না কিহল্লক্লে



*দমাস্কস, জনুৱারি ২৮ঃ* সিরিয়া গভর্নমেন্টকী মীহুৎ অমনা করিগুম্বা থাংজ নুমিৎতগী অরুবা হিরমশিংদা খোইজংনা ৱারী শানবা হৌদ্রগদি জেনেভাগী ৱারীদা সিরিয়ানা শরুক য়ারোই হায়না কিহনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

ফোরেন মিনিষ্টর ৱালিদ মুআলেমনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী টিমনা য়ু এন নেগোসিয়েটর লাখদার ব্রাহিমিগা ৱারী শানরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ব্রাহিমিনা ঙসিগী অথেংবদা সিরিয়াগী ওপোজিসনগা তোঙান্না অমুক উন্নদুনা ৱারী শানগদবসু লৈরি। পাউগী লিখুনশিংনা হায়বদা শানগদৌরিবা ৱারী অসি হেক হৌরকপদগী অকায়বা ওইনা থোক্তুনা লাক্লবনি। মদুদা মায়ঙৈ অনিমক্না লেপ্পখিবা ফিরেপ হোংনদবদগী ৱারী শানবদা মপুং ফাখিদ্রবনি।

সিরিয়াদা থোক্লিবা মীয়ামগী ঈহৌ অসিনা হৌজিক ফাওবদা মীওই লাক্ষ অমা হেনবগী পুন্সি মাঙখ্রবনি হায়নসু য়ু এননা ফোঙদোকখ্রে।

মীওই মিল্লিয়ন ৯.৫ সু ময়ুমদগী চেন্নখিবগা লোয়ননা সিরিয়া অমদি মসিগী য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদা অচৌবা হ্যুমেনিটরিয়ান ক্রাইসিস অমসু থোকহল্লবনি।

ঙসি ফাওবদা সিরিয়াদা খুৎ থোক্লবগী থবক লেপ্তুনা চখরি। গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা লালহৌবনা পায়শিনখ্রবা অৱাং থংবা অলেপোগী মফমশিংদা বোম্বীং চখখি হায়নসু বৃটেনদা বেজ তৌবা সিরিয়ান ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোকখ্রে।

# লাই চৈরুবগী শিবগী চৈরাক পীখ্রে

*ইস্লামাবাদ, জনুৱারি ২৪ঃ* পাকিস্টানগী রাউল পিন্দি সিটিদা মশাগী চহি ৬৫ শুরবা বৃটিশকী অহল অমা লাই চৈরুবগীদমক শিবগী চৈরাক পীনবা ৱায়েল লাউথোকখ্রে হায়রি।

মুহমদ অজগরনা ইং ২০১০ দা মীওই কয়ামরুমদা মহাক মশাবু প্রোফেট অমনি হায়জদুনা লাইবু উশিত্তবগী ৱারোলশিং ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

মহাক্কী উকিলশিংনা অহল অসিগী ৱাখলগী লায়নাগী য়েংদুনা মীনুংশি উৎপীনবা আরগুমেন্ট পুখৎখি। অদুবু মেদিকেল পেনেলনা অহল অসিদা ৱাখল লায়না লৈতে হায়বদগী হায়জ চেরোল অদু রিজেক্ট তৌখিবনি।

অমরোমদা পাকিস্টানগী ব্লাসফেমি লো অসি শিবগী চৈরাক ফংবা য়াবগী অকনবা ৱারোল য়াওবা মরমনা মায়ঙৈ কয়াদগী য়ানিংদবসু ফোঙদোক্লরিবনি।

হন্দক্তা থোকখিবা কেস খরসু মালেম পুম্নমক্না মীৎয়েং চংগদবগা লোয়ননা অসিগুম্বা লো অসি চৎনবদা অমুক হন্না খন্থনবা তকশিন্নরকখিবনি। স্কোটলেন্দদা ইমুং মনুং লৈবনি হায়বা আস্করবু পুলিস ওফিসার খরদা ইস্লামবু শিংনবা ৱারোলশিং ইখি হায়না মরাল শীরি। মহাক হান্না পাকিস্টানদা চহি কয়া লৈরম্বনি। মহাক্কী লোয়রনা ফোঙদোকখিবদা মহাকপু কেস অদুদগী জজনা ইম্থোরকপগা লোয়ননা ৱায়েল থৌরমশিংদি লোন্না চখখি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

# কাইরোদা পোকখাইবদা ৫ শিরে, কয়ামরুম শোক্লে



*কাইরো, জনুৱারি ২৪ঃ* কাইরোদা ঙসি পুলিসপু টার্গেট তৌদুনা পোকখাইবগী থৌদোক পরিং অমা নাইনা চখরকপদগী মীওই ৫ শিরগা কয়ামরুমনা অশোক-অপন নংলে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইজিপকী এন্টিকিটি মিনিষ্টরনা হায়খিবদা কাইরো পুলিস হেদক্বার্টর্সতা পোকখাইখিবা কার বোম অমনা ইস্লামিক আর্ট ম্যুজিয়ম অমদা অশোক অপন থোকহনখি। অদুগা অলকাইদানা থৌইনশিন পীবা লুপ অমনা চখরকপা শাথিবা কার বোম এটেক অমদসু মীওই ৪ শিরগা কয়ামরুমনা অশোক অপন নংখি হায়না ফোঙদোকখি।

সিনাই পেনিন্সুলাদা বেজ তৌবা অন্সর বৈট অল-মকদেজ হায়বা লুপ অসিনা ত্বিটরদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা পোকখাইহল্লিবদু থাজনিঙাই ওইদবা অদুগা মীবু নমথবগী লিচৎ চৎপা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়োক্তনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

ইজিপকী সিক্যুরিটি ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদা কোনুং অসিগী মেট্রো ষ্টেসন অমগী মনাক্তা পুলিসকী গারিদা পোকখাইহল্লকপা থৌদোক অমদসু মী অমা শিরগা ৮ না শোকখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু কার বোম পোকখাইখিবা অদুগী মতুং পুং খরগী মনুংদা থোকখিবনি। উহৌবশিংনা হায়বদা এটেক চখরকখিবা মফম অদুৱাইদা ঈ চাইদুনা লৈবা উখি হায়বগা লোয়ননা দোকি দিষ্ট্রিক্টকী ফাওরবা রুসিয়ান কলচর সেন্টরগা হেক থংনবা মফমশিংদসু ঈ চাইবা উখি হায়রি।

অহুমশুবা পোকখাইবগী থৌদোক অমনা গীজা পিরামিদ মনাক্তা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অমদা থোকখি। পোকখাইবা অদুমদি হেন্দমেদ বোম ওইবা মরমনা অশোক অপন য়াওখিদে হায়রি।

ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদা দিভাইস অদু টালবিয়া পুলিস ষ্টেসনগী হেক মনাক্তা থল্লম্বনি হায়রি। এন্টিকিটিজ মিনিষ্টর মুহমদ ইব্রাহিমনা হায়বদা কার বোম পোকখাইখিবা অদুনা ১৯ শুবা চহি চাগী ম্যুজিয়ম ওফ ইস্লামিক আর্টকী ফক্লাংশিং শাথিনা শোকহনখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী থৌদোক অসিগী মতুং পুং খরগী মনুংদা থাদোরকপা চেরোল অমদা ইব্রাহিমনা হায়খিবদা ম্যুজিয়ম অদুদা থম্বা আর্টিফেক্টশিং অমদি অতৈ পোৎলম খরদা চাউনা অমাং অতা থোকহনখ্রে। মদুদা ইং ১৮৮১ ফাওবগী ওইনা খোমজিনবা অতাংবা ইস্লামিক আর্ট ওবজেক্ট খরদসু অশোক অপন থোকখি হায়না ফোঙদোকখি।

হন্দক্তা দোল্লর মিল্লিয়ন কয়ামরুম চংনা মোরামোট তৌখিবা ম্যুজিয়ম অসি হৌজিক ইনৌ নৌনা শাবা তারে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# সোমরসেটতা পাক চাওনা ঈচাও থোক্লে



*লণ্ডন, জনুৱারি ২৪ঃ* পাক-চাওনা নোংজাও হৈথরকপগী ৱার্নিং অমা লাউথোরকপদগী হান্ননা ইচাও থোক্লবা সোমরসেটকী মফমশিংদা থৌদোক অসি অচৌবা ঈচাওনি হায়না লাউথোকখ্রে।

খুঙ্গং কয়ামরুম ঈচাওনা মরম ওইদুনা অমগা অমগা ফাওনবা য়াদ্রবনি। ইনভাইরোনমেন্ট এজেন্সিনসু লমদম অসিদা চুথরকপা নোংনা মরম ওইদুনা শিংথানিঙাই ওইনা অকায়বা থোকহল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর দেবিদ কেমেরোন অমদি কম্ম্যুনিটিজ সেক্রেটরি এরিক পিকলসতসু তেংবাং পীবিরক্লবা অইবা চে পীখ্রে হায়রি।

মমাংদা অমুক্তা উখিদ্রিবা ফিভমদা চাওনা অমাং অতা থোকহনবা ঈচাও অমা মায়োক্লবগী ফিভম লৈরে। থুনমক শোইরোইদবা খোঙথাং অমা লৌখৎহৌবা চুমগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা অকনবা নোং চুরগদি ফিভম অসি অচৌবা অৱাবগী থৌদোক অমা ওইনা থেংনবা চুমগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লোকেল কাউন্সিল খক্তনা মায়োক্লবা য়ারোইদবা ফিভমদা ঈচাওগী ফিভম শাথিবা হেনগৎলকপদগী অচৌবা থৌদোক অমনি হায়না লাউথোকখিবনি। লাউথোকখিবা অসিগী মতুংইন্না লোকেল ওঠোরিটিনা ইমর্জেন্সিগী ইভাকুয়েসন চখবা ঙম্মী। রেষ্ট সেন্টরশিং হাঙদোক্তুনা ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসনশিংবুসু মোবিলাইজ তৌরগা তেংবাংগী থৌরাং চখবা ঙম্মী হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

সেদজেমুর দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা হায়খিবদা সেফটিক টেঙ্কশিং ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা মফমশিংদা পোর্টেবল টোইলেটশিং য়েম্থোকখ্রে। অদুগা হান্না পীখ্রবা সেনবেগ লিশিং ৩ গী মথক্তা অহেনবা সেনবেক ময়াম অমসু পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে হায়রি।

# কানাদাদা অহলশিংগী লৈফম মৈ চাকপদা মীওই ৩ শিখ্রে

*ক্বিবেক, জনুৱারি ২৪ঃ* নোংপোক থংবা ক্বিবেকতা ঙরাং অহল ওইরবশিংগী লৈফম অমা মৈনা চাকপদা মদুদা লৈরম্বা চখোকপা-ঙমদ্রবা হ্বিল চিয়ারদা লৈবা অহলশিং য়াওনা মীওই অহুম শিখ্রে। অদুগা ৩০ রোমনা খোঙ্গুল লিফম খঙদ্রে হায়না সোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।

কানাদাগী প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়বদসু শিবগী মশিং অসি হেনগৎলকখিগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদা অহলশিংগী লৈফম শঙলেন অদুগী মনুংদা মখোয়না কন্নবদি ঙমদ্রবা মীওই কয়া ককঙাওননা লাউ খোংবা ফয়ার ফাইটরশিংনা উখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি লৈফম অদুদা হ্বিল চিয়ারদগী হেন্দোকপা ঙমদ্রবা অহলশিংসু লৈবনি হায়নসু জিনেট কেরোন হায়বা এক্টিং মেয়োর অমনা ফোঙদোকখি। মথোল অহুম লোংবা শঙলেন অসিদা নোংয়াই মতুং পুম্থাই চৎপদা চাওনা মৈ চাক্লকখি। পাউদু হেক ফংবগা ফয়ার ফাইটরশিংনা মিনিট ৮ গী মনুংদা মফম অদু য়ৌরক্তুনা মৈ কন্নবা হোৎনখিবনি হায়রি।

# ৱারী শানবা থৌরাং কায়বদগী য়ুক্রেনদা ইরাং কনখৎলে

*কিয়েব, জনুৱারি ২৪ঃ* য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভিক্টর য়ানুকোভিসকা ওপোজিসনগা ৱারী শাননবা থৌরাং তৌরম্বা অদু মায় পাকখিদবদগী লৈবাক অসিগী কোনুংদা অনৌবা বেরিকেটশিং ৱাকৎলোইশিংনা অমুক থমজিল্লকখ্রে।

সিটি অসিগী ইন্দিপেন্দেন্টস স্কেৱারদা ৱাকৎলোইশিংবু তানখাইনবা হোৎনবদা রাইওট পুলিসকা ৱাকৎলোইশিংগা খুৎসু থোক্লখি। নোংচুপ থংবা ইভানো ফ্রাঙ্কিবসকী গভর্নরগী ওফিসতা ৱাকৎলোইশিংগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা উংখৎনবসু থোকখি।

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী কম্মিস্নার ষ্টেফান ফ্যুলেসু কিয়েবতা লাক্তুনা উংখৎনরিবা ফিভম অসি লোইশিন্নবা হোৎনগদৌরি। ফ্যুলেনা য়ুক্রেনগা লৈনগদবা পাটনরসিপ দিল অমা শেম্বদসু অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি। অদুবু দিল অদু প্রসিদেন্ট য়ানুকোভিষ্টনা মমাং চহিগী নভেম্বর থাদা য়াখিদ্রবা মতুংদগী হৌজিক চখরিবা ৱাকৎ ঈহৌ অসি হৌরকখিবনি। ফিভম অসি খন্নবা ফ্রান্স অমদি জর্মনিনা য়ুক্রেনগী এম্বেসেদরশিংবু ঙসি কৌখৎখি হায়রি।

ৱাথোক অসি চয়োল অসিদা ৱাকৎলোই অমা শিবদগী অমুক লুশিল্লকখিবনি হায়নসু পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিপেন্দেন্টস স্কৱার এরিয়াদা রাইওৎ চখবা ৱাকৎলোই অনি পুলিসনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। এক্টিভিষ্ট অমনা কিয়েবকী মনাক্তা লৈবা উমং অমদা শিনা ফংখিবনি। মহাক্কী হকচাংদা শাথিনা ওৎ-নৈখিবা অদুগা উন মরক্তা শিরসনু হায়না লংথোক্লম্বগী খুদম ফংখি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোকখ্রে।



অইবা অমসুং অয়েকপা নোং লান





## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU -134

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | 2 | | | 5 | | |
| 8 | 1 | | 7 | | | 6 | | |
| | | | | | 5 | | 7 | |
| 4 | 6 | 7 | | | | | | |
| 9 | | | | 8 | | | | 1 |
| | | | | | 9 | | 2 | 3 |
| 7 | | | | 4 | 3 | 9 | | |
| | | | | | | | | 5 |
| | | | 1 | | | | | |

*Prepared by :* **ROGER -A**

**YESTERDAY SOLUTION**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 6 | 1 | 5 | 3 | 9 | 4 | 7 | 2 |
| 5 | 9 | 3 | 7 | 2 | 4 | 8 | 6 | 1 |
| 2 | 4 | 7 | 8 | 1 | 6 | 3 | 5 | 9 |
| 4 | 5 | 6 | 9 | 7 | 8 | 2 | 1 | 3 |
| 1 | 2 | 8 | 4 | 5 | 3 | 6 | 9 | 7 |
| 7 | 3 | 9 | 2 | 6 | 1 | 5 | 4 | 8 |
| 3 | 8 | 5 | 1 | 4 | 7 | 9 | 2 | 6 |
| 6 | 1 | 2 | 3 | 9 | 5 | 7 | 8 | 4 |
| 9 | 7 | 4 | 6 | 8 | 2 | 1 | 3 | 5 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*